# সেন্টর টিম থারক্তুনা এনআরইজিএসগী শুরিবা থবক্কী রিপোর্টকা চান্নব্রা য়েংশিল্লগনি

-জয়রাম রামেস

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, জুন ১০:* মণিপুর অসি মহাত্মা গান্ধি নেসনল রুরেল ইমপ্লোইমেন্ট গরেন্টি স্কিমগী থবক্তা য়াম্না খুমাঙ চাওশিনবা লমদম অমা ওইরে। লমদম অসিদা পায়খৎলিবা থবকশিং অসি কমদৌনা মায় পাকপা ঙম্লিবনো, শুরিবা থবক্কা সরকারগী রিপোর্টকা চান্নব্রা হায়বদু য়েংশিন্নবা অখন্নবা টিম অমা থারক্লগনি হায়না রুরেল ডিবলপমেন্টকী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর জয়রাম রামেসনা ফোংদোকখ্রে।

ঙসি সেক্রেটেরিয়েট সাউথ ব্লোক্কী কনফরেন্স হোলদা পাঙাথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না মখা তানা হায়, প্রোগ্রাম অসিগী ওইনদি মণিপুরনা লৈবাক অসিদা খ্বাইদগী মাংজিল থাবা ষ্টেট অমা ওইরে। অতে ষ্টেটশিংদা নুমিৎ ৪৫ নি থবক পীবদা লমদম অসিদা নুমিৎ ৮০নি থবক পীরি।

লৈবাক অসিগী ওইনা নুমিৎ ১০০নি থবক ফংবা ঙম্বা য়ুমগী চাং অসি চাদা ৮ ওইবা মতমদা মণিপুরদা চাদা ৩২ ওইরি। হৌখিবা চহিদা প্রোগ্রাম অসিগীদমক ষ্টেট অসিদা লুপা কোটি ৬৫০ থাদখি। মথং শেনবা চহিদা লুপা কোটি ৯৫০ মরিপুরগীদমক থাদরবা য়ারি।

অসিগুম্বা থবকশিং অসি পায়খৎপদা হেন্না মগুন লৈনা মওং তানা চখবা য়ান্নবা সোসিয়েল ওডিট তৌবগী তঙাইফদবা লৈ। অন্ধ্র প্রদেস নত্তনা লৈবাক অসিগী ষ্টেট অমত্তনা মসি তৌদে।

মণিপুরগী ওইনা জোব কার্দ পায়বা মীওইশিংগী মনুংদা চাদা ৫০ খক্তমক বেঙ্ক একাউন্ট নত্রগা পোষ্ট ওফিস একাউন্ট হাঙলি। চাদা ৫০ হেনবদি অসিগুম্বা একাউন্ট অসি লৈতে। অসিগুম্বা একাউন্ট লৈতবা কাঙলুপশিং অসিদদি থাদরক্লিবা স্কিমগী শেনফম অসি লান্না চৎলমলোই হায়নিঙাই লৈতে। অদুবু বেঙ্ক একাউন্ট লৈবা কাংলুপশিংদদি শেল অরানবা মওংদা চৎনিঙাইগী মরম লৈতে।

মণিপুরগী রেকোর্ড অসি য়েংবদা অঙকপা ফাওই । মদুমক্না অখন্নবা টিম অমা থারক্তুনা মসি কমদৌনা চখরিবনো হায়বদু য়েংশিনহনগদৌরিবনি। টিম অসিনা য়েংশিনবা মতমদা লৈরিবা রেকোর্ডকা চান্নরবদি খ্বাইদগী হেন্না ফরবনি অমদি খ্বাইদগী হেন্না মায় পাক্লবনি। অমদি মসি চেদখক ওইবা রেকোর্ড অদু ওইহন্নিংদে।

প্রধান মন্ত্রিগ্রাম সড়ক যোজনাগী মতাংদা মহাক্না হায়, ষ্টেট অসিগী ওইনা মীশিং ২৫০দগী হেনবা হেবিটেসন ১০০৪ চীং অমদি তমদা লৈ।মসিগী মনুংদা ২৪৫খক্তমক লম্বীনা শম্নহনবা ঙম্লে। হেবিটেসন ৪৫০না হৌজিক সেঙ্কসন তৌখ্রে। হেজিক লৈরিবা প্রোব্লেমদি সেঙ্কসন তৌখিবা অপুনবা হেবিটেসনগী চাদা ৫৪ রোমতমক লম্বীনা শম্নহনবা ঙম্লি। হৌজিক ভারত সরকারনা হেবিটেসন ৫৫৪ অসি শম্নহন্নবা সেঙ্কসন তৌগদবা লৈরি।

ঙরাং চিফ মিনিষ্টরগা উন্নবদা সেঙ্কসন তৌগদবা ৱাৎলিবশিং অসি ভারত সরকারনা লাক্লিবা চহি অনিগী মনুংদা পীরগনি হায়না খঙহনলম্লে। চৎলিবা শেনবা চহি ২০১২-১৩গী ওইনা খুঙ্গংশিং লম্বীনা শম্নহন্নবা লুপা কোটি ৬৬৬ পীখ্রে। মসি চাওরাক্লা হেবিটেসন ৩০০ লোমগীনি।

চহি অনিগী মনুংদা ভারত সরকারদগী সেঙ্কসন ফংলগদবনা প্রোগ্রাম অসিগী থবকশিং খোংজেল য়াংশিনহনবসু চিফ মিনিষ্টরগা খন্নরে। থবকশিং অসি পায়খৎনবগীদমক শারকপা ডি পি আর খুদিংমক তেক্নিকেলি য়েংশিনবা চংলি। ষ্টেটশিংনা শারিবা ডি পি আরশিং অসি ষ্টেট তেক্নিকেল এজেন্সি(এস টি এ)শিংনা য়েংশিনলিবনি। অদুবু মণিপুরগী ওইনদি এস টি এ অসি শিলচরদা লৈবনা ডি পি আর খুদিংমক শিলচরদা থারবা তুংদা দিল্লিদা য়ৌরিবনি। মসিদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসি কোকহন্নবা মণিপুর ইন্সটিট্যুত ওফ তেক্নোলোজিবু ষ্টেট অসিগী এস টি এ ওইনা হাপ্লগনি। ষ্টেট অসিগী ডি পি আর খুদিংমক ইন্সটিট্যুত অসিগী সিভিল ইঞ্জিনিয়ারিং ডিপার্টমেন্টকী ফেকলটিনা য়েংশিনলগনি।

প্রোগ্রাম অসি পায়খৎপদা থেংনরিবা অতোপ্পা খুদোংচাদবা অমনা ডি পি আর শাবদা রুরেল রোড ডিপার্টমেন্টনা মশানা শাজবা অসিনি। মসিগী থবক অসি অতোপ্পদা পায়খৎহন্নবা চিফ মিনিষ্টরদা হায়নরে। মসিগীদমক এজেন্সি খনবদা সেন্তরনা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়খি। এম এস আর আর ডি এ অসি অহেনবা ষ্টাফশিং হাপচিন্দুনা হেন্না মপাঙ্গল কলহনবা মথৌ তাই। মদুতদা চহি অহুমগী মনুংদা খুঙ্গং পুন্নমক শম্নহন্নবগী পান দম অসি থুংহনবা ঙমগনি। প্রোগ্রাম অসিগীদমক সেন্তরনা শেলগী অৱাৎপা লৈহনলোই। শেনবা চহি ২০১২-১৩ দা সেন্তরনা লুপা কোটি ৬৬৬ পীখ্রবা তুংদা শেনবা চহি ২০১৩-১৪ গী ওইনা লুপা কোটি ৭৮০ প্রোগ্রাম অসিগীদমক পীথরক্লবা য়ারি। তম্পাক্কী লমদা প্রোগ্রাম অসি মায় পাক্না চংশিনলবসু চীংদা শেমগদবা য়াম্না লৈরি।

ৱাটর সপ্লাই অমদি সেনিটেসনগী মতাংদা মিনিষ্টরনা হায়, রুরেল ড্রিঙ্কিং ৱাটর সপ্লাইগীদমক সেন্তরনা লুপা কোটি ৬৪ ষ্টেট অসিগীদমক খাক্তুনা থম্লি। মীয়ামদা মপুং ফাবা সেনিটেসন পীনবগীদমক থৌরাংশিং পায়খৎলি। ষ্টেট অসিগী ওইনা গ্রাম পঞ্চায়ট ১৬০ লৈবদা অনিখক নির্মল গ্রাম পঞ্চায়ট ওইরি। লাক্লিবা চহি মঙা অসিদা লেমহৌরিবা গ্রাম পঞ্চায়টশিং অসি মপুং ফাবা টোইলেট থমদুনা মণিপুরবু নির্মল রাজ ওইহন্নবা হোৎনবা চংই। হান্না টোইলেট শাবগী শেনফম অসি লুপা ৩,৫০০ ওইরম্বদগী হৌজিক লুপা ১০,০০০দা হেনগৎলগনি।

ৱুমেন সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংগীদমক সেন্তরনা অখন্নবা শেঙ্গুং ওইনা লুপা কোটি ১০ চহি অসিগী ওইনা পীরে।অদুবু লাইবক থিবদি বেঙ্কিং নেটৱার্ক লৈতবা অসিনি। মণিপুরগী ওইনা ব্লোক হেড ক্বাটর ৬০গী মনুংদা ৩০খক্তা বেঙ্ক ব্রাঞ্চ লৈরি। লোয়নন্না ব্লোক হেড ক্বাটর ১৬ খক্তদা ইন টর্নেটকী খুদোংচাবা লৈরি। মসি সেন্তরগী মরাললনি। হেক হনখিবগা পি এম অমদি হোম মিনিষ্টরদা খুদোংচাবা অসি ফংহন্নবা তকশিনলগনি।

আই এৱাই স্কিমগী মতাংদা মিনিষ্টরনা হায়, স্কিম অসিগী মখাদা য়ুম শান্নবগী শেঙ্গুং অসি লুপা ৪৮,০০০ ওইরম্বদগী চিফ মিনিষ্টর অমদি মরি লৈনবা ডিপার্টমেন্টকী মিনিষ্টরনা হেনগৎনবা হায়বদগী লুপা ৭৫,০০০দা হেনগৎলগনি।

সরকারনা লোক্তাক পাৎতা থাঙ্গ অমদি কৱাংগী মরক্তা থোং অমা শান্নবা হায়জরকপা লৈরে। অদুবু পি এম জি এস ৱাইগী খুখাংদদি মিটর ৫০ দগী হেন্না শাংবা য়াদবনা মসি করম তৌনা শাগদগে হায়বদু য়েংলগা শান্নবা হোৎনগনি। মরমদি থোং অসি মিটর ২০০ হেন্না শাংগদবনি।

মণিপুরদা হৌখিবা চহি খর অসিদা চাওখৎ লমজেলদা য়াঙনা চংশিনবা ঙম্লে। শান্তি অমদি চাওখৎপা হায়বসি শেল ময়েক অমগী মমায় অনিগা চপ মান্নে। চাওখৎ লমজেলদা মাংজিল থারবা মতমদতা শান্তিগী খোঙজেল অসিসু খুমাং চাওশিনবা ঙমগনি হায়খি।